ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, এপ্রিল ০৯, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩ শুবা চহী, ০১৩শুবা মশীং

# প্রাইম মিনিষ্টরগী মণিপুর খোঙচৎ

## সী এ বিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা পল্লমদবা লাইবক থীবনি

*লোক সভা* মীখলগা মরী লৈননা পুংজা খরগী খোঙচৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মণিপুরদা লাক্লম্লে। প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎকা মরী লৈননা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা হপ্তা কাংজৈবুংদা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা ৱা ঙাঙবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, কোংগ্রেসনা চহী ৫০ হেন্না লৈঙাক পায়রম্বদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমত্তা মওং তানা পায়খৎলমদবনা হৌজিক লমদম অসিদা শেমগৎনিংঙাই কয়ামরুম লৈরিবনি। কোংগ্রেসনা সেন্টরদা মতম শাংনা লৈঙাক পায়রক্লবসু অৱাং নোংপোক লমদম নীংথিনা শেমগৎলমদ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মণিপুরগী মতাংদসু লম্বী-থোংদগী হৌরগা প্রোজেক্ট কয়া পন্দুনা থন্লম্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন দি এ) লৈঙাক হেক লাকপগা অৱাং-নোংপোক লমদমদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা চাওখৎ-থৌরাংশিং মথং-মথং পায়খৎলক্লি। মশক নাইবা শান্নরোয় কয়া পুথোরকখিবগীদমক মণিপুরদা লৈবাক অসিগী অহানবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংখৎপনি। মণিপুরদা খূদোংচাবা কয়া ফংহনগদবা এক্ট ইষ্ট পোলিসি পায়খৎপগা লোয়ননা মীপূম খূদিংমক পূন্না চাওখৎমিন্নসি হায়বা ৱাখল্লোনদা য়ূম্ফম ওইরগা শোত্থহৌরবশিংগী অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। মুদ্রা যোজনাগী মখাদা মীওই কয়া লোন ফংহল্লে অমসুং অনা-লায়েংনবগী খূদোংচাবা লৈত্রবা মীওইশিংদা লায়েংনবগী তেংবাং-শেল ওইনা লুপা লাখ ৫ ফাওবা ফংহল্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতসু বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহ মণিপুরদা লাক্তুনা মীখলগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লমখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং কোদোম্পোকপী লম্পাক্তা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফমদা মহাক্না হায়খি, কুমজা ২০০৩ দা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর অতল বিহারি বাজপায়ীনা হৌদোক্লম্বা জিরি-ইম্ফাল রেল লম্বী শেম্বগী থবক অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা কুমজা ২০২১ ফাওবদা ট্রেন চেনবা হৌহন্নবা পান্দম থল্লি। রেল লম্বী অসিদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা রেলৱে ব্রিজ শানবা পান্দম থল্লি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, উরান স্কিমগী মখাদা এন দি এ লৈঙাক্না হেলিপেদ মঙা শাদুনা মণিপুরগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা হেলিকোপ্টর সর্ভিস তৌহল্লে। লম্বী-থোংগী ফীভম খূদোংচাদবা মফমশিংদা হেলিকোপ্টর সর্ভিস তৌহনবগা লোয়ননা ইম্ফাল এয়রপোর্ট পাকথোক-চাউথোকহল্লগা এয়র-কার্গো সর্ভিসকী খূদোংচাবা ফংহল্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মণিপুরদা মরৈবাক নীংবা অথৌবা কয়া পোকখি হায়না শীংথারদুনা মহাক্না হায়খি, বৃটিশ লৈঙাক্তগী ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা খ্বাইদগী ইহান-হান্না মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎখিবা মফম মণিপুরদনি। মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মমাঙগী লৈঙাক মতমদা চহী অমগী মনুংদা নুমিৎ ১৪০ রোম বন্দ-ব্লোকেদ তৌদুনা পোৎ-চৈগী মমল অঙকপা ফংনা ৱাংখৎলক্তুনা মীপূম খূদিংমক অৱাবা মায়োক্লখ্রবসু বি জে পিনা লৈঙাক হেক পায়রকপদগী বন্দ-ব্লোকেদ লৈতবা লমদম ওইহনবা ঙম্লে। শান্নরোয়শিং পূক্নিং থৌগৎপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মতম অমদা শান্নরোয়শিংনা মালেমগী থাক্তা মেদল লৌরকপদা লুপা লাখ ৮ খক পীরম্লবসু বি জে পিনা লৈঙাক পায়রবা মতুংদগীদি লুপা লাখ ১৫ দা হেনগৎহল্লে। টেররিজমগী মায়োক্তা লৌখৎপা থৌরাংশিংগী মতাংদা অমিট শাহনা হায়খি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামাদা টেররিষ্টশিংনা সেন্ট্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ)কী পর্সনেল ৪০ হাৎখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা এয়র ষ্ট্রাইক চৎথখি। মতৌ অসুম্না সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহ অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শীংথানিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লম্লবসু সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা মীয়ামগী পূক্নিংদা ফাওরিবা চিংনবশিং কোকহন্নবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লমদ্রে। য়ুমলোন্নবা লৈবাক্তগী চঙলকপা মীতোপশিং ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহনগনি হায়রিবা বিল অসি পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌনবা থৌরাং অমুক হন্না লৌখৎলরোই হায়না থৌনা ফনা লাউথোক্লম্বা তারগদি লুচিংবা অনীবু মীয়াম্না শোয়দনা থাগৎনরমগনি খল্লি।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## শেল য়েনবীগনু-লৌবীগনু, করপসন মুখৎলসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

ভোৎকী মতমদা কেন্দিদেটশিংনা শেল য়েল্লিবমখৈ, মীয়াম্নসু শেল লৌরিবমখৈ, ওর্গনাইজেসনশিং, লূপশিংনসু কেন্দিদেটশিংদা চাকচা-হৈজানবগী, য়াওশঙগী হরাউ কুম্মৈশিং অসিনচিংবা কয়াগী দোনেসন তৌহল্লিবমখৈ করপসন তৌনবা মচাক ওইহল্লি। ইলেক্সন্দা, দোনেসন্দা চৎখিবা শেনফমশিং অসি কেন্দিদেটশিংগী য়েনখাদগী হেক্লগা পীরকখিবা শেনফমশিং ওইরম্লোই। চঙখিবা শেনফমশিং হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা দিভলপমেন্ট হন্থ্রবা তাবনি। কেন্দিদেটশিংনসু মসল পৱার, মনি পৱারনা মীয়াম্বু ময়াই কাবা চিঞ্জাক পীজরগা ভোট কাগনি খল্লিবা অসিদি লৈবাক শেমগে, মীয়াম্বু নুংঙাইহনগে হায়বগী ৱাখল্লোন মান্দে হায়জনীংই। মীওইবনা শেল পামদবা লৈরম্লোই, জঙ্গলদা লৈবা শাহিং চাবা কৈ ফাওবনা মমায়দা শেল বন্দল খরা উৎপদা তেথরিবনি হায়না অহল-লমনশিংনা হায়নরিবনি। মীয়াম্নসু শেল খরনা মশা-মশাগী মমল য়াম্লবা রাইট অদু চহী মঙাদা য়োন্থোকপা হায়বসি পাম্মুজে। মীখলদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংনসু মীয়াম্বু শেল পীদুনা লৈরবনি হায়না খল্লবদি ফজখ্রবা দেমোক্রেসি অসি ময়েং তানবা শিনবনি হায়দবা ঙম্লোই।

লমদমসিদা ফোঙলিবা পাউচেশিংদা, মমাঙগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ঐগী লৈঙাক্কী মতমদা ঐবু তেন পার্সেন্ট হায়নখিরম্মী, অদুবু হৌজিক্কী লৈঙাক এন বিরেন্না ঐগী মতমদগী হেল্লি হায়বগী মওংদা ফোঙলকপা ৱাফম অদু চীফ মিনিষ্টর অনী অসিগী মীংচৎ থীনীংঙাইনি। কেন্দিদেট খরনা ঐদি আই এ এসনি, আই পি এসনি, ডোক্তরনি, ইঞ্জিনিয়রনি, ঐদি ক্রোরপটিনি হায়না মীয়ামগী থৌগল তৌজরগনি চোঙথোরক্লিবশিংগা, মশাগী হৌরকপদগী সোসল মাইন্দেট চেনবা কাঙবুগা চাংদম্নরগা, হৌখিবা ইলক্সনশিংদগী হন্দক্কী য়াম্না লুরবা ইলেক্সন অসিদা মীয়াম্না মুন্না খন্থবিরগা, হৌখিবা চহীদা মণিপুরগী মীহুৎনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমা/অনী য়াওখিবগুম হন্দকসু য়াওবা ঙমগদবা মীহুৎ থাগৎপনা মণিপুর য়াম্না ঈং-তপ্পা ওইনা লৈবা ষ্টেট ওইগনি। শেল য়েল্লিবমখৈ, শেল লৌরিবমখৈ করপসন মুখৎপা ঙমলোই। লোয়ননা মরা তপ্পা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমলোই।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী*
*তোপ অৱাং লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৩

১। মৈতৈ লৈবাক্তা মী অমা শিবদা অঙাংমক নৎত্রবদি মৈ থাদুনা পোৎলোইবা কুইরবদগী চৎনরকই, ঙসিসু চৎনরি।
(ক) চৎনবী অসিগী মমাঙদা মৈতৈ লৈবাক্তা পোৎলোইবা মখল কয়া লৈরম্বগে?
(খ) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী মৈ থাবখক্তা চৎনরকখিবগে?
২। ‘‘ফৌশু ঈশৈ শক্তি/আদগী চীংদোন অসিদনি।’’ পরেং অনী অসি জননেতা ইরাবতনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। ‘‘ঐখোয়না কপ্লি/ঐখোয়গী পুন্সিগী থোঙজিন্দা/নোংজুথানা কৌনরুবা য়াওদনা লেপ্লবা খুদিংদা।’’ পরেং অহুম অসিনা ‘লোক্তাক পাৎকী ফূম’ কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবি অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। ‘‘ঙাইবু ঙাইরবদি মতমসিসু হৌদেদকো, প্রেমিলানা খল্লি।’’ পরেং অসিনা ‘হৌদোং তুরেল কুমদবী’ কৌবা ৱারীমচাদুগী অহানবা পরেংনি। অইবী অদু কনানো?
৫। ‘‘ইচা ইশুগীদমক/হুনবা লোইদ্রি/পামলৌগী লৌবুক্তা/সনা ফৌগী মরূশিং।’’ পরেংশিংসিনা ‘য়াচঙবা নঙ হল্লো’ কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। মপানগী অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রোওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

# থম্বাল, খূবাক, থাঙ্গোল, চৈশু, জহাজ, হণ্ডোই... কনাদা ভোট!

হেক্তা হায়নীংলকই - ৫৪৫

**জিতেন নামৈরাকপম**

*লোক সভাগী* ইলেক্সন নকশিল্লকপগা লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মাগী-মাগী পার্টিগী মীরেপশিংনা কাহৌনবগী পান্দমদা ভোট খোম্বগী চাং কনখৎলক্লি। হুন্নবা, লাউনবা লেপ্তে। ভোটকী মতাং য়ৌরকপা অসিদা তোঙান-তোঙানবা পার্টিশিংদা লেপ্লিবা কেন্দিদেটশিংগী অফ-ফত্ত নৈনখৎলক্লি। করপ্তেদ ওইবা মবুকচেল শেংদবা হুরান লোন্নাগী থবক চত্থরম্বা ঐখোয়না খঙলমদবা কয়াসু চিংথোক-চিংথোক্তুনা ঙাঙনরক্লি। অফবা মী, মীয়ামগীদমক কৎথোক্লগে হায়না থোরকপা কনাবু য়াওরিবগে খনবদা মীয়াম ককঙাওনরি। আউটরগী ওইরো নৎত্রগা ইন্নরগীবু ওইরো কেন্দিদেট কুনলোম লেপ্লিবশিংগী মনুংদা অনীদি শোয়দনা কাখ্রগনি। ভোটকী ৱাদি কেন্দিদেটশিংসিগী মনুংদা অপাম্বা অমত্তা য়াওদ্রে হায়দুনা নোটাদা থাদরুরবসু পামদে খনবা মীওইদুদি শোয়দনা কাখ্রগনি। মচিন থীবা, ওইদবা ঙাঙবশিংসিদা ভোট শুকথা-থাদজররোই খন্দুনা থাদরুদবা তারগসু ভোটতুদি মাঙখিনি নৎত্রগা পামদে হায়বা মীশক্তুদা মহুৎ চঙলগা থাদখিবসু য়ারি। মরম অদুনা ভোটতি শোয়দনা থাদফম থোকই।

ইন্নরগী ওইনা অফবা মীহুৎ কনানো থিরকপদা ঙাঙনরকই অফবা মীহুৎ খনগদৌরিব্রা নৎত্রগা পার্টিদা ওইনা থাদগদৌরিব্রা? পার্টি হায়বসিদি মেন-মান তাবা নত্তে। অমদা অমুক চোঙই, অমদগী অমুক চোঙথোরকই। কোংগ্রেস, বি জে পি অনীমক চপ মান্নে অমত্তা পীরোই ডা. নরদা পীনি হৌখিবা ইলেক্সন্দসু সেকেন্দ তাখিবনি অমুক্তা থাগৎতুনা য়েংসি হায়নবসু য়াওই। এম পি ইলেক্সনবু ফাগীদৌনা মরোল মরী শুদবা, দেল্লি য়ৌরগা এম পি ৫৪৫দুগী মরক্তা ৱা ঙাঙবসু ঙম্লোইদবা, মরোল থোক্লোইদবা কয়া অমসু ঐ কেন্দিদেটনি, ভোট লেপ্লিবনিকা হায়দনা থোরকপসু য়াওরি। মখোয় থাগৎলুরগা চৌক্রিদা ফম্লগা উইরুগদবা মঙায়রে। করিনো মখোয়না তৌগদবসি। অদুবু ডা. নরা হোয়দি মদুগুম্বদি নত্তে। পোলিটিক্স য়াওরকপা কুইরবনি। বিধান সভা ইলেক্সন্দা ভোট কাদুনা মন্ত্রি, এম এল এ ওইরম্লবনি। ফোরেন কন্ত্রি কয়াদা চৎতুনা মরুওইবা মীওইশিংগা ইন্টরেক্সন তৌনবগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা, ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন মমুৎ তানা খঙলবা, ইংলিস, হিন্দি লোনগী কম্মান্দ ফজনা লৈরবা কেন্দিদেটনি। করপসনগী মায়োক্তা লৈবা, লৈবাক মীয়ামগী ইহুল ফজনা খঙবা মীওইনি। মঙোন্দা ভোট পীফম থোকই হায়বসিনি। কনাগুম্বনা হায়, মতিক চাবা হায়রগদি আর কে অনন্দ থাগৎপসু য়াইনা। মশামক এসেমব্লি ইলেক্সন্দা টর্ম অনীরক ভোট কাদুনা এম এল এ ওইরম্লবনি। মহে-মশীন মতিক চানা হৈবা লৈবাক্কী লুরবা ইস্যু কয়াদা থৌনা ফনা মায়রোং য়াখিবা লুচিংবনি। দেল্লিদা থাগদবদি মানি। মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা, পামদবা পূম্বা তাশিন-খোমজিন্দুনা পুখ্রগা দেল্লিদা মখৌ পোংনা লাউহনখিগদবদি মহাকনি। রিজনেলিজমগী ৱাখল চেনবা মীওইনি। মঙোন্দা ওইনা ভোট পীফম থোকই। নহা অমনা অমুক হায়, ভোটতি কাইকুদা পীগদবনি তাদা। কাইকুমুক মতিক চাবা কনা লৈরিবগে। পাকখ্রবা লম্পাক অমদা কাইকুহোয়, বলাহোয়, গোকুল, বোনি, সদানন্দ, বিজু, সোনিয়া, সুসমিতা পূম্নমক লাকপদা নহাশিংতনা কৃক-কৃক ইন্ননা তিল্লদবনি। মীয়াম্না য়াবা, মশক ফজবা, খুন্নাইগী অমোৎ-অকায় শেংদোকপসিবু মখোয় নত্তনা কনা লৈরিবগে। ঐদি কাইকুদা ভোট শোয়দনা পীরনি। নখোয়সু পীয়ু সিনি। অদুগী ৱাদি ভোট্টর চন্দ্রিবা ইচানুপীনা অইবা ঐঙোন্দসু এম পিগী ভোট খোমজিল্লকই। হায়রকই বাবা - ‘কাইকুদা ভোট পীয়ুকো’ ঐনা খনখি করিগুম্বা অঙাংশিংসু ভোট্টর চনবা তারগদি কাইকুনা ভোট মশীং ফজনা হেল্লগা কানীংঙাই লৈ।

ভোট লেপ্পা হায়বসিমক্তবু কাগে, মীয়ামগী মীহুৎ ওইদুনা করিগুম্বা খরদি তৌরুরগে হায়না থোরকপনি। ভোটকী ফল লাউথোরকপদা দিপোজিৎ মাঙলে হায়না লাউথোরকপদু তাগে হায়না লেপচবা কনাসু য়াওরম্লোই। তৌবতবু কাগে কাউ, কারোই তোকউ ঐসু ভোট লেপ্পা য়াইনা, ময়ামদা শক তাক্লগে হায়না থোরকপসু অদুম য়াওরমগনি। মশামক কেন্দিদেট ওইনা থোরকপদা মতিক চারব্রা হায়না ইয়েং য়েংদবীদা মীনা তৌনৈ হায়দুনা তৌবসু অদুমক য়াওরিবনি। অদুবু হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদি হান্না মমাঙদা পাঙথোকখিবশিংগা ইমান মান্নদবা মওং অমা উবা ফংই। মখোয় মশেল পঙলাউদা লাউনরবসু ভোট থাদগদৌরিবা ভোট্টরশিংদি তুমিন্না লৈরি। লৈকায় লৈকায়দা, খুন্দা করিদা গ্রুপ-গ্রুপ পুনশিন্নরগা চাকচা হৈজানবা, কেনিদদেটতগী শেল নীবা চৎপা ইউ উবা ফংদে। ইন্নরগী ভোট্টতি থাখায়রোমদা ঙাইশিল্লক্লে। নকশিল্লক্লগা বি জে পিগা কোংগ্রেসকা অনীসি ভোট্টর ফানবা শেল য়েল্লকপসু য়ারি। অদুবু এসেমব্লিগী ইলেক্সনমক্তি নত্তবনা য়েল্লবসু মমিংতগী ওইনা তৌরকপা য়ারি। ভোট্টর অমদা লুপা লিশীং ২/৩/৪দগী ৫ ফাওবা য়ৌখিবা অদুমক্তি য়ৌররোই। মসল পৱার, মনি পৱারনা ভোট কানবা লমদমসিদা খরদি অদুম মতৌরক্কনি। আউটরগী ওইনদি মসল পৱার শীজিন্নবা হৌখ্রে। সেনাপতিদা এন ঈ আই দি পিগী মীরেপ্পু এন এস সী এন (আই-এম) গী কাঙবুনা ফারগা পুগে তৌরম্বগী পাউ মতুংদা কুকী লালহৌলূপনসু মখোয়না পাম্বা কেন্দিদেটতা ভোট পীদবা য়ারোই, পীদ্রগদি খুদোংথীবা নংগনি হায়বগী ৱার্নিং পীরম্বগী পাউসু ফোঙদোরক্লি। মসিনা মসল পৱার শীজিন্নরকপগী ৱানি। মণিপুরগী মতাংদদি মখোয়না ভোট কাখ্রগা ঐখোয়দা কৈদৌনগদৌরিবনো। সেক্যুরিটিনা চয়োম শারগা লৈখ্রগনি, ৱা অমা হায়রুবসু তাররোই, মশক উবসু ফংলরোই, মখোয় মখোয় নুংঙাইরুরগে, শেল ফকথরুরগে হায়না থোরকপা মক্তনি। অদুনা মতাং চারিঙৈদা চাহৌরগে, থকহৌরগে, শেল লৌথোকহৌরগে হায়না খনবা ভোট্টর কয়া অমসু লৈরিবনি। পূম্নমক অসি মাঙলমচৎতা থোকখিবা থৌদোকশিংনা উৎখ্রবনি। মালেমগী মীয়াম্না খ্বাইদগী ফরবা লৈঙাকনি খন্নরিবা দেমোক্রেসি অসি খ্বাইদগী মোৎপা লৈঙাক মখল ওইরক্লবনি। মীয়াম্না মীয়ামগী মীহুৎ খঞ্জরগা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক মীহুৎ খঞ্জরগা লৈঙাকচবা হায়বা ফজখ্রবা সিষ্টেম অসিগী মরূমদা ফত্তবা তৌবা মী ঙাক্তা থোরক্লে।

ফত্তবগী ফত্তবা ঙাক্তা ঙাইশিল্লকপদগী মীয়াম্না বেনেভোলেন্ট ওইবা লীদর থিরকপগী তঙাইফদবদু লাক্লুব্রা খল্লকই। দিক্টেটরদি ওইরগা বেনেভোলেন্ট ওইবা হায়বসিদি মঙোন্দা শিন্নরিবা পৱার অদু মহাক মশাখক নৎত্রগা মরী মতা, খঙন-চান্নবশিংগী নত্তনা মীচম মীয়ামগী ফনবতা থবক তৌবা মী অদুবুনি। দিক্টেটরসিপগী পৱার পায়দুনা লৈঙাকখিবা পুৱারীদা লৈহৌবা বেনিটো মুসোলিনি, এদোল্ফ হিটলর, স্পেনগী জেনরল ওইরম্বা ফ্রেঙ্কো, য়ুগান্দাগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এমিননচিংবা ময়ামসিগী মরক্তা ফ্রান্সকী নেপোলিয়ন বোনাপার্টপু খ্বাইদগী ফবা বেনেভোলেন্ট ওইনা লৌনরি। হৌজিক্কী চৎনরক্লিবা ইলেক্সন সিষ্টেম, লৈঙাক্কী মওংসি খল্লুবদা মালেমগী পুৱারীদা অফবা তৌরম্বা লৈঙাকপশিংবু নীংশিংহল্লকই।

# লমতা থাশিরমদাই চীঙ্গোই ঈরুপ্পা পাঙথোকখ্রে, লাংমাই চনু পীতঙঙা লীক্লু লৌথিবীগী থৱায় মিরেলনা তেংথারিদ্রা?

**- ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

*লমতা* থা শিগদবা হুমনি ৱাৎলিঙৈদনি চীঙ্গোই ঈরুপ্পা থৌরম পাঙথোক্লিবসি। মৈতৈ ঐখোয়গীদি য়াম্না মরু ওইবা থৌরমনি। থৌশাবীরোই হায়না থৌশাবীদবৈ ৱাদি খঙদ্রে। ইচম চম্বা থৌরম নত্তে,, পুৱারীগা শাগোন্নবা থৌরমনি। অখঙবা খরনা খঙলবসু থৌরম অসিবু মনুং হুৎনা খঙদবা খরসু লৈরম্বা য়াই। মদুগী মরম লৈ, পুৱারীগী খোঙচত্তা পীরকখিবা চৈথেং অমননি। হিন্দু লাইনীংগী ইথিলনা কনমনখিবনা ওইরম্বা য়াই, অঙাং ওইরিঙৈদা চীঙ্গোই ঈরুপ্পা থৌরম করিনো হায়বদু খঙজরক্তে, হায়জিনবৈ ৱা নত্তে। বারুনি খুরুম্বা নৎত্রগা বারুনি কাবা হায়বদুদি খঙলকই। য়াওশঙ লোইখ্রবা মতুং লমতাগী কুন্নিপান্নি পানবা নুমিত্তা লৈশাবী-পাখঙ, অঙাং-অহল খায়দনা ফিয়োম পুরগা থোক্নরকই। বস ৱায়রগা শেল খায়গৎনরগা চৎলি। লৈশাবী ফারকপা মতমদা ঐখোয়সু চৎখি। নোংমাইজিং চীংদোলদু য়ৌনবা খোঙনা কাখি। চোকথবা ফাওখিদে, মীয়াম কৃক-ক্যক ইন্ননা কাবদুনা ওইরম্বসু য়াই। নুমিৎ তারকপদগী কাবা হৌবনি। নুমিদাং ওইরকপদদি ওন্থোক্না ফজখ্রে, মৈরা পরেংদো। কাদ্রিঙৈ চীংখোঙ য়ৌরকপদা তুরেল মচা অমা থেংনখি। মদুদা লুপকদবনি হায়। খরনা অমুক হায় চীংদোন্দা লৈরিবা মহাদেব খুরুম্লবা মতুংদা লুপকদবনি। অখঙবা য়াওদবগা চীং কানীংবগী ইথিন্দুগা মান্নখিদুনা অদুম্মক ইরুপখিদ্রে। চীংদোলগী লাই খুরুম্বা লোইরগা কুমথরকপদা ঈরুপসি হায়নখি। ওন্থোকপা মতৌনি চীং কারুবগী ৱাবনে, অহিং তূমদবগী চোকথবনে ঈরুপ্তনা অদুম্মক হল্লকখ্রে। কুইরবগী তুংদা থিজিন খোৎচিনবগী থবক খরা খরা তৌজরকপা মতমদা খঙলকখি, ঐখোয় অরানবা অমা তৌখ্রে। চীংগোই ঈরুপ্পগী মীংদা মহাদেব খুরুম্লগা হল্লকখ্রে। লাইরিক হৈননবনি হায়দুনা করি করিনোসু তৌখিবনি। খঙদবা হায়বসিসু তাইওন্নগল্লি। মদুদসু নত্তে নোংপোক নিংথৌ অমদি পান্থোইবী অনীবু লাৎনরিবা মফম ওইরিবা খলোং শুরুং অদু চঙলুদ্রবসু য়ারে পাঙ্গল ৱাননবনি হায়দুনা চঙখিদে। মদো ঐখোয়বু লমজিংবীরকখিবশিংদুদা তাইনফমসু থোক্তে, মাসু মুন্না খঙদবগীনি।

অখঙ অহৈশিংনা থম্বীরম্বগী মতুং ইন্না কুমজা ৬৬৩দগী ৭৬৩ ফাওবা কংলৈদা পানখিবা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা মহাক্কী তালোয় অহল লাংমাই চনু পীতঙঙা লীক্লু লৌথিবীগী খুভম য়াদুনা হৌদোকখিবনি। নীংঙমদবা ৱারী অমা লৈ, নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা হায়না মিংথোনবা লাইরিক্তা মরীক চুম্না ইরি। করিগুম্বা থৌদোক অমদগী নাউথিংখোংগা মপাইবুংঙো কংলৈ নিংথৌ উরা কোন্থৌবগা মুক্লখি। মদুনা মরম ওইদুনা কংলৈ থাদোক্লগা শেল্লোই লাংমাই ফুরুপ্পা পানবা নোংমাইজিংদা লৈখি। মতম অদুদা অচোং য়িমলেনবা শাগৈগী ৱামৈলাম্থাবগী মচানুপী পীতঙঙা লীক্লু লৌথিবী লৌদুনা য়াওং ইল্লগা লৈরম্মী। মখোয় অনীনা লৈমিন্নবা চহী অমা ফারকপা মতমদা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা থোক্লম্মী। নোংমা শেল্লোই লাংমাই লান্মীশিংনা খুনফম ঙাংচেং, হাওকপ চীংশাংদা লান্দারুনবগীদমক লানগী লাল্লাউ লাউরদুনা মরাং হৌনা মনিল নাইনা কংলৈ লম ফাওরগা চৎলম্মী। মতম অদুদা মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবগী মনাই কদেম শোইশেনবা কৌবা নুপা অমা লূথুমদুনা লৈরম্মী। শেল্লোই লান্মীশিংনা লাঙবা তাবদা কিমনবদগী মথ্বায় কঞ্জনবা পাম্বে ওইনা মাগী মশা পূম্বা শীনবা থুংনা ঙা অপূম্বা তৈশিল্লগা শ্বর থিংদুনা উনা শেম্বা খোংফৈগী মথক্তা মী অশিবা শারগা হিপ্লম্মী। ময়াই কারবা শেল্লোই লাংমাইশিংনা মাবু উবদা শিরবনি খন্দুনা মখোঙনা কাওদুনা শান্নবগা লোয়ননা লান চৎলুবা হল্লকপদা মঙক কক্লসি হায়নরগা চৎখি।

মখোয়না চৎখিবা মতুং ইকুই কুইদনা কদেম শোয়শেনবদু মফম অদু থাদোক্তুনা কংলৈ নিংথৌগী মনাক য়ৌনবা থুনা য়াঙনা চেনখিরম্মী। কোনুং য়ৌরবদা থোকখিবশিং অদু অমত্তা চিখদনা তম্লম্মী। মহাক্কী অয়াবা য়াওদনা কংলৈ লম ফাওরগা চৎপা অদুগীসু মথক্তা মহাক্কী মীদা থওই উশিত্তনা তৌরকপগীদমক মখোয়গী মথক্তা লান্দাদুনা লমন খুম্নবা কংলাগী লানপুঙ পুঙজাউ য়ৈদুনা মীয়াম কৌখৎলগা লানগীদমক শেম শারম্মী। মতৌ অসুম্না মৈতৈ লান্মীশিংদু শেল্লোইশিংনা হল্লক্কদবা লম্বীদা লুমদুনা লৈরম্মী। মখোয়না মফমদু য়ৌশিল্লকপগা তান্না তান্নদুনা হাৎপদা শূপ্নতংগী মী তরাখক্তমক মথ্বায় পুরগা চেনখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মখোয়গী লমদা লৈরিবা নাউথিংখোংবু হাৎলগা মপানা তৌরকখিবশিংদুগীদমক লমন খুম্নবা লেপ্পরম্মী। মখোয়গী অনীংবা অদু পাঙথোক্লবগীদমক শেল্লোইশিংনা পীতঙঙাগী য়ূমদা লাক্তুনা লাউ খোংলম্মী। লৌশিং লৈবী পীতঙঙানা মপুরোইববু হাৎপীদনবা হায়জবা য়াবা হায়জরবা মতুংদা কান্নররোই খঙবদগী মাগী লৌশিং পাম্বৈনা মপুরোইববু কন্ননবা হোৎনরম্মী। মপুরোইবগা হিংমিন্নবগী অরোইবা মীৎকুপ্তা চাক চরা অমা পীজরগা পুকমেন পাউমেন্নজখিগে হায়দুনা পান ফূৎপগী মিংদা নূংফূৎলম্মী। মদুগীসু মথক্তা শেল্লোই মবুং মৌপ্পাশিংবু য়ু পীথক্লম্মী। মখোয়না য়ুগী ময়াইনা লোদুনা লৈরিঙৈদা য়ূমগী মনীং থংবা ফক্লাং হোগায়রগা মপুরোইবা নাউথিংখোংবু খুমন লমদা চেনহনখি। কায়নরমদাই মীৎকুপ্তা নাউথিংখোংনা কংলৈ নিংথৌ ওইরবা মতমদা লৈমরেনবী ওইহনগনি হায়না ৱাশক্লম্মী।

মতৌ অসুম্না পীততঙানা নাউথিংখোংগী থৱায় কল্লগা মবুং মৌপ্পাশিংগী মীচৈ খাঙদুনা লেনখি। নাউথিংখোংদি পীতঙঙানা তাকপা মতুং ইন্না খা পাংনা চৎখিদুনা খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সি য়ুমোইবগী মনাক্তা থুংলম্মী। মহাক্কী নুংশুক নুংজানবা মতৌদুদা খুমন নিংথৌনা মতম খরা লৈরগা মচানুপী কৈরুংহাংবীগা লুহোংবীরম্মী। অসুম্না নাউথিংখোংসু পীতঙঙাগী ৱাখল নোংমা নোংমগী মমি শাম্বা হৌরক্লম্মী। অসুম্না লৈরিঙৈদা মোইরাংগী খুয়োন্না ঙাক শেনবা মফমদা হৌবা তেশাৱা হোঙবগী থৌরম পাঙথোকপা য়াওবীরনবা খুমন নিংথৌদা মোইরাং নিংথৌ সনা লাকখ্বানা পাউ থারক্লম্মী। খুমন নিংথৌনা মমাক নুপা নাউথিংখোং পুরগা তেশাৱা হোঙবগী থৌরম য়াওবা লাক্লম্মী। নাউথিংখোংগী মরী মখোঙ খঙলবা মতুংদা মোইরাং নিংথৌনা মচা নুপী নামুন চাউবী থাজদুনা লুহোংবীরম্মী। মতৌ অসুম্না তালোয় অনীগা লোয়ননা খুমন্দা পাল্লিঙৈদা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মনাক্তা লৈঙাক্লোনগী চৎন-কাঙলোন তম্নবা লুৱাংগী খুন্দা লৈরম্মী। মতম খরা লৈরগা লুৱাং নিংথৌ তাইবঙপান থাদোকখি। ইকুই কুইদনা মচানুপীসু নোংমৈ শীংজংনা পান্দুনা শিখি। কংলৈ নিংথৌ উরা কোন্থৌবা নোঙ্গাখ্রবদা কংলৈ ফম্বান হাঙদুনা লৈরম্মী। মরমদি নাউথিংখোংগী ময়াম্বা অহল অদু মমিৎ উদবা ওইরম্মী, অনীশুবা ময়াম্বদু মীওই চাদবা ওইরম্মী, মনাউ নুপাদুনা ফীভম চাদবা মওংদা মবুক কংলম্মী। মরম অদুনা মৈতৈ লৈমনা মনাই মশন থারক্তুনা লুৱাংগী পামং খুন্দগী নাউথিংখোংবু কৌহল্লখি। মতৌ অসুম্না নাউথিংখোংনা কংলৈ ফম্বান তোংবগী থৌরম পাঙথোকখি। মদুগা লোয়ননা খুমন নিংঙোল কৈরুংহাংবীনা লৈমরেনবী ওইখি।

শেল্লোই চীংদা পীতঙঙাদি মপুরোইবনা মাবু শোয়দনা নীংশিংবীরক্কনি হায়বগী ৱাখলদা ৱানা ঙাইজরম্মী। নাউথিংখোংনা কংলৈ নিংথৌ ওইরবা মতুংদা মাবু নীংশিংবীরকপগী মহুত্তা তুমিন্না লৈথোকখিবদা মবুক্লীং নুংশিরম্মী। নোংমদি মহাক শিং, এঙ্গাং-নাপি, চাকয়োম্নচিংবা শমদা হাপচিন্দুনা কংলৈদা থুংলখি। মহাক্না থুংলুবা মতমদা নাউথিংখোংনা য়েত্তা কৈরুংহাংবীনা ওইদা ফমদুনা লৈরম্মী। মাবু উবদা নিংথৌনা মাবু য়োকপীরকপী মমাগুম্বীনি য়েত্তা ফম্বীরো লাউ হায়না কৌশিল্লম্মী। নিংথৌগী ৱাহৈশিং অমদি মওং মতৌ অদুনা মাবু অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোকহল্লম্মী। ফীভম অদুদা হিংলুবগী কান্নবা লৈত্রে হায়দুনা তেংথারম্লগা য়ূম্বীদা মকোক য়ৈশিঞ্জদুনা মশা মথন্তা থৱায় থাজখি। ইথা থাজদনা থোকপা থৌদোক্তুদা মৈদিংঙু নাওথিংখোং অঙকপা পোকপগা লোয়ননা নীংঙমদবা ফাওরম্মী। হৌনবী মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা মতুংদা মহাকপু ইকায় খুম্নবা উৎপা অমদি নীংশিংবা ওইনা মহাক্কী খুভম য়াদুনা ঈরাৎ থৌনি পাঙথোকখি। মতৌ অসুম্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী লিক্লম কায়দনা ঙসি ফাওবা চীঙ্গোই ঈরুপ্পা হায়না পাঙথোক্লি।

মতৌ অসুম্না চীঙ্গোই ঈরুপ্পা হায়বা থৌরম অসি তরাই-তরাইনা লৌবা য়াদবা লমদম অসিগী লাইনীং-লীচৎ অমসুং পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা থৌরম অমনি। মসিনা খুন্নাই অসিদা চৎনরম্বা লোনচৎ, লৈঙাক্লোন, লাইনীং-লীচৎনচিংবগী মরমদা খঙবা ঙমহল্লি। হেন্না পূক্নিং চিংশিন্নীংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি মৈতৈ খুন্নাইগী নুপীশিংনা কদাই ফাওবা কখোকপা ঙম্বা অমদি করিগুম্বা হীরম অমদা থৱায় ফাওবা থাদোক্তুনা কখোকপগী থৌনা লৈখিবী নুপীশিংবু লাইরেম্বীগী থাক্তা পুখৎতুনা ইকায়খুম্নরম্মী হায়বসিনি। মসিগীসু মথক্তা চহী লীশাং শিৎনা চখদুনা লাক্লুবা চীঙ্গোই ঈরুপ্পগী থৌরম অসি ঐখোয়গীনি হায়বসি পূম্নমক্না কাউফম থোক্তে।